# ইচাওগী অৱা তেংবাং ওইনবা পীরকখিবা লুপা কোটি ১৮ কদায়দা চৎখ্রেঃ হেমন্ত

ইম্ফাল মে ২৩ ঃ হৌখিবা চহীদা ষ্টেট অসিগী ঈশিং ইচাওগী অৱা তেংবাং ওইনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা পীরকখিবা লুপা কোটি ১৮ কদায়দা চৎখ্রবগে হায়না বি জে পি মণিপুর ইউন্টিকী ৱাঙাংলোইসু ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্তনা হঙলি।

ৱাংজি তেন্থা এরিয়াদা ঈশিং ইচাওগী ফীবম য়েঙশিনবা চৎপা মতমদা হেমন্তনা হায়খি, হৌখিবা চহীদা ইউনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (হোম) কিরেন রিজেজুনা মণিপুরদা লাক্লগা মণিপুরগী ফীবম য়েংশিল্লবা মতুংদা লুপা কোটি ১৮গী শেনফম অদু ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা কাইথরক্লগা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা শিন্নরকখিবনি। অদুবু শেনফম অদু কদায়দা চৎখ্রবগে হায়বা খঙদ্রে।

‘‘পৈশাশিং অদু কদায়দা চৎখ্রবগে? মণিপুর গভর্নমেন্ট সেঙ্কসন তৌরকখিবা শেনফম অদুগী অকুপ্পা মরোল য়াওবা হৱাইট পেপর অমা পুথোক্কদৌবনি’’, হায়না বি জে পি গী ৱাঙাংলোই অসিনা হায়খি।

ৱাংজিং তেন্থাগী মফম কয়াদা ইচাওগী ফীবম য়েংশিল্লবা মতুংদা তেন্থা খুন্নৌদা চহী খুদিংগী তুরেলগী লৌনম্বাল কায়দুনা ঈশিং ইচাও থোকপগী মতাংদা পামেনেন্ট ওইবা সোলুসন অমা পুথোক্তে হায়দুনা হেমন্তনা ইরিগেসন এন্দ ফ্লদ কন্ট্রোল ডিপাটমেন্টনা থওই ৱাওইদবদগী তেন্থাগী হৈবুং এরিয়া অসি চহী খুদিংগী ঈশিং থুম্বনি। হন্দকসু তুরেল লৌনম্বাল কায়দুনা হৈবুং এরিয়াগী য়ুম ৩০০ হেন্না ঈশিং থুমলে।

ইচাওগী ফীবম অদু য়েংলুরবা মতুংদা ৱাংজিং তেন্থাগী ইচাওনা অৱাবা তাহল্লবশিংগী রিলিফ কেম্পনচিংবা হাঙদুনা পীবা য়াবা মতেং লমদম অদুগী ক্লবশিংগা তান্নরগা পীগনি হায়বগী থাজবসু হেমন্তনা পীখি।

# মীরোল কয়া পুন্সিরক্লবা হৈনৌ খোঙনেম্বী তুখিবদা মীয়াম্না ঙক্লা য়েংনখ্রে

ইম্ফাল মে ২৩ ঃ মীরোল কয়া পুন্সিরক্লবা ক্লাকৈথেল হৈনৌ খোঙনেম্বীদা হৌবা চাওরবা লাইওইরবা হৈনৌ পাম্বী অদু ঙরাং নুমীদাং অঙনবদা তুরকখ্রবা মতুংদা মীয়াম্না ঙক্লা অমদি নুংশিনা য়েংবা লাক্লরি।

লাইওইরবা হৈনৌ পাম্বী অসি হৌবা মফমনি হায়দুনা লমদম অসি ফাওবা হৈনৌ খোঙনেম্বী থোল্লিবা পাম্বী অসিগী মউ অসি ফী খুদুপ ২৫শাংবা অমনা কোনবা থুংই।

চীন্থাং য়ৈনা লিন্নরকপা ৱারীগী মতুং ইন্না অৱা লান হায়রগা খঙনবা খুষ্টকুমশিং ১৮-২৫তা লোইশিনখিবা চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মমাঙদা হৈনৌপাম্বী অসি মপুঙ ফানা হৌরমলে হায়রি।

অতোপ্পা লমদম অসিদা থাজনবা অমনা করিগুম্বা লৈবাক অসিদা অৱা অনাগী থৌদোক থোক্কদৌরে হায়বদি লাইওইরবা হৈনৌ পাম্বী অসিগী মশা তেক্তুনা খুদম চাংদম হেক হেক পী হায়বসিনি।

মণিপুরগী অরোইবা মহারাজ বোধচন্দ্র শিরমদাই, দিপুতি চীফ মিনিষ্টর ইরেংবম তোমপোক য়াওবা এরোপ্লেন অমা থাংজিং চীংদা কায়খিবা থৌদোক, সঙাইপরৌগী ইস্কোনদা বোম পোকখায়হন্দুনা মীশি মীনা থোকখিবা থৌদোকনচিংবশিং অদুগা মমাঙদসু অসিগুম্বা খুদম চাংদম অসি পীখি হায়না থাজনবনি।

ভোট লেপ্পা মীরেপশিং য়াওনা মীথোয় মীহেন তানবা মীশিং, পরিক্ষা থাবা মহৈরোইশিংনা য়াম্না থাজনা হৈনৌ পাম্বী অসিদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইরাৎ থৌনিবগী চৎনবী অমসু লৈবনি।

হৌখিবা সজিবু থাদা সনাকোনুংগী মাইবা অমদি অখঙ অহৈ লাক্তুনা লাইওইরবা হৈনৌ পাম্বী অসিদা ফী রোল অমদি মৈরা কৎতুনা ইরাৎ থৌনি পাঙথোকখিবা লৈখি।

# বাবুপরাদা ঈশিং থুন্নমগদৌবদগী শন্নাদা লিংহৌরে

ইম্ফাল মে ২৩ ঃ মণিপুরগী অচৌ অশাং মিনিষ্টর এম এল এ শিংগী ক্কার্টরশিং লৈরিবা বাবুপরাদা ঙরাং ইম্ফাল তুরেলদগী ইফুৎ ফাওজিলত্তুনা ঈশিং চেনশিলকপদগী মীপায়নদুনা কোয়চেন চেনরুরে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না এগ্রিকলচর মিনিষ্টর নাশিরনা লৈরিবা মপা অদুৱায়দা ঙরাং নুংমীদাংৱাই ইম্ফাল তুরেলগী ইমাই ৱাংখৎলকপা মতম অদুদা ইফুৎ ফাওরত্তুনা ঈশিং চেনশিলবকখিবনি। অদুবু লায়বক ফবদগী তুরেলগী ইমাই হন্থরকখিদুনা ইফুৎ অদু লেপখিবদগী মখা তানা খুদোং থিবদি মায়োক্লখিদ্রে হায়রি।

চেকশিন্না লৌনম্বাল শেন্নদুনা লৈগদবা মফম অসিদা করম্না ইফুৎ ফাওরক্লিবনো হায়বগী মতাংদা বাবুপরা মনুংগী মীওইশিংনা পীনরকপা মত্তকী মতুং ইন্নদি তুরেল মনুং অদুদা য়াম্না মোৎনা মোংশোং ওইনা থম্বা অমদি মিনিষ্টর এম এল এশিংগীদা লৈরিবা মীওইশিংনা ফত্ত-হৌদি হুন্দোকফম ওইশিনবনা উচি লৈশিলকপদগী লৈচাক হোৎপনা মরম ওইদুনা ইফুৎ ফাওরকপা ওইগনি হায়রি।

# রিভিন্যুগী ফমশিং লৌবগী ফোর্ম থাবা লেপখ্রে

ইম্ফাল মে ২৩ ঃ মণিপুর গভর্নমেন্টকী রিভিন্যু ডিপাটমেন্টকী রিভিন্যু ইন্সপেকর, জিলাদায়, মন্দোল, এল দি সি, দ্রাইভর, লম্বু, পিয়ন, প্রোসেস সার্ভর অমদি চৌকিদার হাপন্নবগী ফোর্ম থাবা অমদি পীশিনবগী থবক মে ২১ তগী হৌখিবদু মতম কক্তনা অনৌবা নোটিফিকেসন অমা থোকত্রিবা ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।

লমদম অসিগী হৌজিক ওইরিবা লো এন্দ ওদরগী ফীবম, নেচরেল কলামিতি অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোপোর্রেসনগী ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌবা লৈবনা য়ৈথোকপনি হায়না রিভিন্যুগী অন্দর সেক্রেটরিনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি।

হান্নন ফোর্ম লৌখ্রবা কেন্দিটশিংনা মখোয়গী ফোর্ম অদু অনৌবা নোটিফিকেসন থোক্লবা মতমদা পীশিনবা য়াগনি। ফোর্ম পীবা, লৌশিনবা অমদি মফমদি অহোংবা লৈরোই হায়না নোটিফিকেসন অদুনা ফোঙদোক্লি।

# সবওর্দিনেট কোর্টকী পীয়নগী ইন্টরভিয়্যু

ইম্ফাল মে ২৩ ঃ হান্না পাঙথোকখ্রবা মণিপুরগী সবওর্দিনেট কোর্টশিংগী পীয়ন লৌবগী ইন্টর ভিয়্যুনচিংবনা য়াওবা ঙমহৌদবশিং অদুনা মে ২৫, ২০১৬তা ইন্টরভিয়্যু য়াগনি হায়রি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জোইন্ট রেজিষ্টারনা থোকপা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না মখোয়না নুমীৎ অসিগী পুং ১১দা হায়কোর্টতা ভেরিফিকেসনগীদমক্তা লাক্কদৌবনি হায়রি।

# মণিপুরগী গ্যাস কঞ্জুমর ৪৬,২২৩ সবসিদি লৌদ্রে

ইম্ফাল মে ২৩ ঃ ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী গীক অপ কেম্পেনগী মখাদা ফীবম ফবা গ্যাস কঞ্জুমরশিংনা সবসিদিগী খুদোং চাবা লৌবা তোক্লবা আপীল তৌখ্রবা মতুংদা মণিপুরগী গ্যাস কঞ্জুমর ৪৬,১২৩ না মখোয় মখোয়গী সবসিদি লৌজররোয় হায়না সরেন্দর তৌখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা অৱাং নোংপোক লমদমগী পুন্না মীওই লাখ ৩০৫না মখোয়গী সবসিদিশিং অদু লৌজররোয় হায়দুনা লৌখিদ্রে। মসিগী মনুংদা অসামগী মীওই লাখ অনীনা মখোয়গী সবসিদি লৌদদুনা খ্বায়দগী য়াম্বা ওইরি।

অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেটশিংগী মেখালয়না সুপ্পগী কঞ্জুমর ৭,৪০৪ খক্তা সবসিদি থাদোক্তুনা খ্বায়দগী হন্থবা ওইরি।

লেমহৌরিবা অতৈ ষ্টেটশিংনা থাদোক্লখিবা সবসিদিগী চাং অসি মীজোরামনা ৪৩,৮৫৪ নাগালেন্দনা ৩১,২৩৩ অরুনাচল প্রদেশনা ২২,৭২৩ ত্রিপুরানা ১৭,০৪৭ অমদি সিকিমনা ৭,৬৯৩ নি।

স্কিম অসি হেক হৌখিবদগী হৌখিবা মে ১ ফাওবদা মহারাষ্ট্রদা মীওই লাখ ১৬না গ্যাসকী সবসিদি থাদোক্তুনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তগী খ্বায়দগী য়াম্বা ওইরি। উতরপ্রদেশ অমদি করনাতাকানা মথং শিৎনা লাখ ১২ অমদি লাখ ৭ সবসিদি সরেন্দর তৌদুনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা ওইরি।

য়ুমদা হৌজিক শীজিন্নরিবা গ্যাস সিলিন্দরশিং অসি সবসিদিদা য়োনবনি। সেন্টরদা গভর্নমেন্ট পায়রিবা এন দি এ গভর্নমেন্টনা লৈঙাকপা হৌরক্লবা মতমদা শেম্বোক খরা য়াম্না লৈবা হায়বদি চহীদা মশাগী ইনকম লুপা লাখ ১০গী মথক্তা লৈবশিংনা মশা মশানা য়ানা সবসিদিগী খুদোঙচাবা লৌদনবা আপীল তৌদুনা পুক্লিং থৌগৎলত্তুনা লাকপনি।

আমিতাভ বচননচিংবা শক্লায়রবা মীওই কয়ানা অঙম্বা মীওইশিংনা মশা মশানা খঙনা সবসিদি থাদোক্লহনবগী কেম্পেন অসিদা কন্না শরুক য়ারিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্রাসপী চেরোল অমগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা গ্যাস সিলিন্দর লৈবদা সবসিদি লৌদ্রবা মীওই অমনা সবসিদিগী খুদোংচাবা লৌনিংলক্লবদি চহী অমগী মতুংদা অমুক হন্না সবসিদি লৌজরগে হায়না দরখাসু থাবা য়াই হায়রি।

# ডা. খোলচন্দ্রনা মণিপুর লিটরেরী সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট ওইরে

ইম্ফাল মে ২৩ ঃ মণিপুর লিটরেরি সোসাইটিগী জেনরেল বোডিগী মিতিং ঙরাং ওল এসেম্ব্লী রোত্ততা লৈবা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা পাঙথোক্তুনা ডা অথোকপম খোলচন্দ্রবু সোসাইটি অসিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে। মীফম অদুনা গুরুময়ুম বীজয়কুমারবু জেনরেল সেক্রেটরী ওইনা খনখি।

মীফম অদুগা মরী লৈননা শৈরেং শৈদিন্নবা অমসু কবি কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

অমরোমদা মণিপুর সাহিত্য সমিতিগী ২০১৫গী এৱার্ডশিং ঙরাং থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোকতা লৈবা ইউনিপার্কতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা আই পি আর অমদি এম আই গী পালিয়ামেন্টরি সেক্রেটরী কে মেগচন্দ্র, সমিতি অদিগী প্রসিদেন্ট ডা টি ঐচ খোমদোননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইখি।

আর্টএন্দ কলচরগী কমিসনার কাংজম রাধাকুমার অমদি থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চীয়ারমেন থোঙাম শ্যামোসু থৌরমদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

# মীচম ফুবা এম এল এ বিজয় ফম থাদোকউ হায়বা দাবি তৌদুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল মে ২৩ ঃ মীচম ফুবা য়ানিংদে, মীচম ফুবা এম এল এ বিজয় ফম থাদোকউ হায়বা বেন্নর থেৎতুনা ঙসি খুরাই কেন্দ্রগী মীয়াম্না খুরাই তিসিদ রোর্দতা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ রোম তাবা মতমদা খুরাই পুথিবা লৈকাই ইম্ফাল তুরেন্দগী ঈশিং পাথোরকপা থিংন্নবা হোৎন্নরিঙৈ খুরাই কেন্দ্রগী এম এল এ ডা. এনজি বিজয়না মফম অদুদা গাড়ি তোংদুনা লাক্লগা গাড়ি চংবা অথিংবা থম্ববু থুগাইদুনা চঙন্নবা হোৎন্নবদা অথিংবা পিরুই হায়বগীদমক এম এল এ না লৈশাংথেম ইতোচা য়াইমবু খুৎপাক্লা থাদুনা ফুখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম অদু চথখিবনি হায়রি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা মীচম ফুবা এম এল এ ফম থাদোকউ, মীচম ফুবা য়ানিংদে, মীচম ফুবা এম এল এগী মখাদা প্রজাশিং হিংবদা সেফ ওইদ্রে হায়বনচিংবা বেনর অমদি প্লেকাদশিং থেংখি।

অমারোমদা এম এল এ বিভায়না মেদিয়াদা মী ফুখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু অরানবনি মচিল থিবনি হায়না ভিকতিম ওইরিবা লৈশাংথেম ইতোচা (য়াইম)না ঙসি নুংথিল খুরাই পুথিবা লৈকাইদা পাউমীশিংগা উন্নবা মতমদা হায়খ্রে। মহাক্লা হায়খি এম এল এ বিজয়না মহাকপু ফুবা মতমদা উহৌবা মীওইশিংসু পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা শরুক য়াখি।

# কফিয়ু মনুংদা গুলি লৌবা লাকপা নহা ২ গুলিগা কোন্নানা ফারে

ইম্ফাল মে ২৩ ঃ ভোঃ এঃ সিঃ নুঙ্গৈনা মৈরা পাইবীগী শংলেন্দা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীওই ১৪ শোকহনবদা চেন্নবশিং ফাদুনা দন্দি পিয়ু হায়বগী দাবি তৌদুনা ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী হৌনা পুং ২৪গী পাব্লিক কফিয়ু চঙশিংলিঙৈ চৈরক্তা গুলি লৌবা লাকপা নুপা অনী গুলিগা কোন্নানা ফারে হায়রি।

ফারবা নহা অনী অদুদি লাংপোকলাকপম মোমোচা (২৬) অপোকপা চন্দ্রকেশ্বর অমদি ঙাঙোম দিনেস (২৪) অপোকপা বিরা কৌই। লাংপোক মমাং লৈকাইদগীনি হায়রি।

মখোয় অনী ঙসি নুংথিল শমুরৌদা মীয়ামনা লৈম্বী থিঙবগী খোঙজং চংশিনলিঙৈদা হোন্দা এক্তিভা নম্বর এমঃ এনঃ ০১ কিউ ৬৪৮০ তোংদুনা লাকপনি। মীয়াম্না চীংন্নবদগী মখোয় অনীবু ফারগা ৱাহং পাউহং চৎথবদা গুলি চাবনি হায়বা খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা মখোয়দগী এসঃ পিঃ টেব্লেট পিছ ৭৪ এন-১০ পিছ ৩ ফঙবা ঙমখিবনি। গুলিশিং অদু ওইনাম দাম মখোঙদা লৈবা এমদি পিক্তু অমদি হাওরৈবী মখা লৈকাইদা লৈবা এমঃ দি অমুদগী লৈরকপনি হায়বা খঙবা ঙমলে। মতুংদা তৌদনবা ৱারক ৱাতেমলগা ইমুং মনুংদা শিন্নখ্রে হায়রি।

# হৈরোক্তা তোয়না খূৎ থোক্লবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল মে ২৩ ঃ থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পার্ট টু চীংঙ্গোল এরিয়াদা তোয়না খূৎথোক্লবদা মীপাইরবা মীয়াম্না থৌদো অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লমদম অদুগী মীয়াম্না ঙরাং ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অমনা ফোঙদোকপা মতুং ইন্না হৈরোক পার্ট টুগী এরিয়া অসি নোংমগী হাতে হাতে শুজরগা হিংজবা মীয়াম্না খুন্দাবা য়াম্না শান্তি ওইবা লম অমনি অদুবু হন্দক মরক বোম পোকখায়হনবা, নোংমৈ কাপ্পবা, এম্বুস তৌবনচিংবা থোরকপা অসিনা মীয়ামদা মিপায়বা পোক্লরে। খুঞ্জাশিং মপান থোক্তুনা শু-নোম্বা চৎপা কিনরে। মহৈরোইশিং মহৈ তম্বা চৎপা ঙমনদ্রে করি থোক্লকগদগে হায়বগী পুক্লিং তয়াং তশোয়বা পোকনরে।

হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা লালহৌবশিংনা বি এস এফ কী কনভোইদা এম্বুস তৌখিবা অদুনা হৌখিবা মার্চ ২০দা এন এস সি এম (আই এম) গী কাংবুনা মিনি বেরেজ শাবা শীন্নীশিং ফুরম্বদগী অকি অখং নংদুনা লৈরিবা মীয়ামদা হেন্না নুংনাংহল্লে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

‘‘চীংঙ্গোল লৈকাই শান্তি পাম্মী’’ ‘‘মীয়াম লৈবা মফমদা খুৎ থোক্লবা ঐখোয়না নিন্দা তৌরি।’’ ‘‘ঈশিং লৈত্রবদি ঙা লৈরোই, মী লৈত্রবদি নীংতম্বা লৈরোই।’’ হায়বা প্লেকার্দশিং ৱাকৎ মীফম অদুদা থেংখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# ক্লেম লাক্ত্রবদি দিসপোজ তৌরগনিঃপুলিস য়াম্নবা পুরক্ত্রিফাও অশিবা হকচাং পোলোয়বা য়ারোইঃ জে এ সি

ইম্ফাল মে ২৩ ঃ থা অসিগী ১৯গী অয়ুক্তা ময়াং ইম্ফাল পুলিস ইটেসনগী মনুং চনবা উচিৱাগী ঙাগী ফ্রাম অমদা চীঙন্নীঙাই ওইবা মওংদা মঙক্তা থৌরি থুরগা শিদুনা লৈরমখিবী শেকমাইজিন খুনৌদগী ৱাহেংবম নিঙোল ইচল (২৫) গী অশিবা হকচাং রিমসকী মোর্গতা লৈরি।

অশিবা হকচাং অদু থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা কনাগুম্বা অমত্তনা ক্লেম লাকত্রবদি দিসপোস তৌগনি হায়না ময়াং ইম্ফাল পুলিসকী চেরোল অমনা হায়রি।

নাকল অমারোমদা জেঃ এঃ সিঃ এগেষ্ট ব্রুটেল কিলিং ওফ ৱাহেংবম ইচল দেবীগী চেরোল অমনা হায়, ইচল মীহাৎতা চেন্নরবা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক পিদ্রিফাও অমদি চেন্নবা মীওইশিং ফাদ্রিফাওবা অশিবা হকচাং লৌরোয় অমদি সরকারনা পোথলোয়বসু য়ারোই হায়রি।

মীশি অসিগী কেস সিঃ বিঃ আই দা শিন্নদুনা অরোনবা লংলা লংজিন পুথোক্তুনা চেন্নবশিং দন্দি পিগদবনি অমদি লৈখিদ্রবীগী ইমুং-মনুংদা সরকারগী মাইকৈদগী পিফম থোকপা কম্পেনসেসন পিদ্রিফাওবা অশিবা হকচাং লৌরোই হায়রক্লি।

EMPLOYMENT NEWS

## থবক্কী পাও

### IOCL Recruitment 2016 Apprentice, Engineering Assistant, Officers (96 Vacancies)

Indian Oil Corporation Limited (IOCL) Refineries Division - Haldia Refinery (A Govt, of India Undertaking) invites applications from Indian Nationals for engagement of Apprentices under Apprentices Act, 1961/1973 (as amended from time to time) in the Trade / Discipline. Eligible candidates apply from 25th April 2016 and close on 25th May 2016.

**Name of the Post**
**No of Vacancies**

Trade Apprentice (Boiler) Discipline-Mechanical
10
Trade Apprentice (Fitter) Discipline-Mechanical
05
Trade Apprentice-Attendant Operator (Chemical Plant) Discipline-Chemical / Technician Apprentice Discipline-Chemical
39
Technician Apprentice Discipline-Mechanical
12
Technician Apprentice Discipline-Electrical
02
Technician Apprentice Discipline-Instrumentation
02

***Stipend:***

| Category of Apprentice of Apprenticeship Training stipend | Year Rate of |
|---|---|
| Trade Apprentice - Boiler Attendant | 03 Years |
| 1st Year – Rs.6490 p.m, 2nd Year - Rs. 6700 p.m., 3rd Year - Rs. 9659 p.m | |
| Trade Apprentice - Attendant Operator (Chemical Plant) | 02 Years |
| 1st Year - Rs. 6970 p.m, 2nd Year - Rs. 7220 p.m. | |
| Trade Apprentice - ITI | 01 Year |
| Rs. 6970 p.m | |
| Technician Apprentice | 01 Year |
| Rs. 9659 p.m | |

***Age Limit***: 18 to 24 Years as on 31st March 2016. Age Relaxable by 5 years for SC/ST, 3 years for OBC (NCL).
***Educational Qualification***: 03 Years Full Time Diploma in concerned engineering discipline.

***Selection Process***: Written Test and Personal Interview. The written Test will be of two hours duration & would carry a weightage of 85%. The maximum weightage for interview will be 15%.

***How to Apply***: Eligible Candidates may send their applications in the prescribed format supported by all self attested relevant documents (qualification/ experience/ age/ caste etc.) with latest (self attested) passport size photograph.

## য়াইথিংকোনু

*– লোইতোংবম মনিহল*

### কোনুনা লোক্তাক কূম্বা

ঙসি লোক্তাক খোঙবানসে, ইথক ইপোম হৌদনা
মালং শহুম ফঙদনা, পোম্বী চেক্লা পাইদনা
লৈরাং খোইবু কেনবদি, প্রকৃতিগী খুৎশেল্লা?
মিকুপ খরা চিক্লবা, অচিকপবু থুগায়না
ঙানু লাবা অমোন্না, জগোই খুৎথেক কৎলক্লে
চীংগী হরি খোংলক্লে, লোইবী থাঙ্গা চীংখোঙদো।
কল্লিদকো নুংশিবা, লমদম কৈদে লাকপনো
নোংদোন থক্তা পাইরিবা, লৈচিন্দবু য়াওবরা
মালং মানা পুবরা, শাবী শানৌ কয়াগী
থম্মোয় কাচিন মনুংদা, লোন্না থম্বা নুংশিবা!
থম্মোয় অনী কিশি কি, নুংশি তেনকাপনদুনা
লোয়বী কারাং চীংখোঙদা, হাওবা কোনু অনীদো
নমু কনা খঙদনা, প্রেমগী কুন্দো হুক্তৌরি।
নুংশি থৌরী তৎঙল্লোয়, নূরা পাখঙ অনীগী
থম্মোয়নুংগী কল্লবা, অপাম-নুংশি থৌরীনি।
নুপা ওইবা থম্মোয়দি, নুপীদগী হেনবনা
হাওবা কোনু য়েঙলগা, য়ারা চিংগোয়রক্লেদো।
‘‘চেংলৌ হেনবী নুজাও, কেগে ঙম্বা কনাগী
মোইরাং লাল্লোই কনাগী, চংখোল্লবী নুজানো?
লায়বক থীবা পাখঙদা, য়াৱা ফিগৈ শেংদোক্লা
পাউদম্লোনে শকহেনবী?’’ পাউমেল্লক্লে হাওবদো।
‘‘মোইরাং ইবুং নুশিবা, নচন লায়বকথিবীদি
কেগে লাল্লোই অঙম্বা, হূইনিংশুম্বা পম্বৌগী
নাইতোম পোকপী মমোন্নি।’’ কোনু কৌবী নুজানা
পিরাং লাইজ ঈহৌনা, তনৌরবী মপাউবু
খুইয়োন মাঙদা লেপ্লগা, নূরা য়াৱা চিনগোইজৈ।
‘‘নুজা নঙবু উবদা, পাখঙ থম্মোয় তনিক্লে
নূরা নঙবু শকহেনবী, খোঙদা য়োৎহিলং থাঙলবী
পোনগী চেক্লা ওইবরা, পম্বৌ শুমাঙ মথৌবুঙ
উরোং খিনবী লৈরাং-লা, লৈকোনা শাৎপি শিংঙেল্লা?
লমলানবা খোইমু ’মনা, লৈরাং লৈখোং শেংদুনা
লাইজা খিকফেন চাইরিবী, লৈকোন শাৎপি শিংঙেল্লা?
কল্লকইদা কল্লকই, লায়বক ফবা কনাগী
নাপ্লৈ লৈরাং ওইগবা?’’ শোন্থাংনবা য়াৱানা
কোনু মাবু য়েঙলগা, হাওবা য়াৱা পাওমৈঞ্জে।
‘‘লায়বকথীবা পাখঙবু, য়াৱা তোয়না পাউমেনবা
করি শিন্থা লৈবনা, নূরা য়াৱা চিনগোয়বা
তাকপিরোনে পাখঙদা,’’ পাউমেল্লক্লে হাওমদো।

*মথঙ মথঙ...*

## চিঙ্গাক্কী লায়েং

*...ঙরাংগী মখা* *–ডাঃ ক্ষেত্রি কালা সিংহ*

### থাউ (Fats and Oils)

খঙগদবা অমদি হারা (asthma), ব্রোনকাইটিস (Broncitis) অমসুং ইনফ্লুয়েঞ্জানা (Influyenza) না নাবা মীশিংনা য়ুবি থাউ থকপা ফত্তে।

***হঙ্গাম থাউ –***

১. লোকখুবদা হঙ্গাম থাউগা চিনি অঙাংবগা নোংমদা চামচ অমমম অনীরক হপ্তা অহুম চারবদি অনাবা অসি কান্নবা পী।
২. থুমগা হঙ্গাম থাউগা য়ানশিন্নরগা য়াম্না তপ্পা তপ্পা তক্লবদি য়ারি য়াখোঙ চাথৎপা ফহল্লি অমদি তোয়না শীজিন্নরবদি শ্বর নমথিবসু ফহল্লি।

### বদাম (Almond)

মদামদা প্রোটিন আইরন, ক্যেলসিয়ম, ফোসফরস অমসুং ভিটামিন বি য়াওই। অদুবু ফেটকী চাঙদি য়াম্না ৱাঙনা য়াওই। মসি হিঙনা ঙৌরগা নৎত্রগা লৌরগা চাবা য়াই। বদাম শীজিন্নবগী খ্বায়দগী ফবা মওংদি অহিং চুপ্পা ঈশিংদা তিংলগা নোংঙাল্লগা মকু খোকতোক্লগা মকুপ তানা তকখায়রগা শীজিন্নবা অসিনি। মরমদি অসিনা তুম্বা লায়হনলি। অমদি হকচাংদা কান্নবা মচী ফঙবা ঙমহনগনি।

***হিদাক ওইনা শীজিন্নবগী মরমদা খরাঃ***

১. খোঙহাম্বা য়াদবদা মদাম মরু মঙাগা অমসুং থাংতুপ মরু মঙাগা তোঙান তোঙান তকখায়রগা পোৎ অনী অদু পুনশিন্নরগা মদুদা খোইহি চামচ ১ য়ানশিন্নরবা মতুংদা নোংমগী অনীরক চাবা কান্নে।
২. খৌনাউনাবা নুংঙায়তবা অমদি লোক খুবদা বদাম অনী নৎত্রগা অহুমগা হৈবোং অকঙবা অমগা লোয়ননা ঈশিং গ্লাস অমদা পুং অমরোম তিংলবা মতুংদা পোৎ অদু লৌখৎলগা মকুশিং অদু মকুপ তানা তকখায়রগা মদুদা খোইহি চামচ অমা য়ানশিল্লগা ওৎখায়রগা তুম্মদায়দা চামচ অমা চাও।
৩. বদাম মকু অসি মৈ থারগা য়া থিনলমদি মচু হঙ্গামপাল চঙবা অমদি য়া চিকপদা কান্নবা পী।
৪. উনশাগী লায়নাদা বদাম খরা কুপ্পা শুগায়রগা ঈশিং অশৌবদা হাপচিনলগা মদুগী অথিৎপা পোৎ অদুদা শোকলিবা মফম অদুদা অহিংচুপ্পা থোল্লগা থমগদবনি। অদুগা নোং ঙাল্লগা ঈশিংনা চামথোক্কদবনি।
৫. কুচু ফজনা লৈনবা বদাম মরু ১০ অহিং চুপ্পা ঈশিংদা তিংলগা মদুগী মকু অদু লৌথোক্লগা শঙ্গোম মপান খরগা তকখায়রগা মাই, ঙক খুৎ খোঙনচিংবা ইরু লুজদ্রিঙৈদা নুংতিগী তৈরবদি কান্নবা পীগনি।
৬. বদাম অসি অহিংচুপ্পা খোইহিদা তিংলগা নোংঙাল্লগা চারবদি হকচাং কনহল্লি অমদি ফনা থম্বা ঙমই।
৭. বদাম মরু মঙা তরুক চাং নায়না নুমিৎ খুদিংগী চারবদি শরু অমসুং য়াগী লায়না কোকহনবদা মতেং ওই।